# লোকেশ্বরনা এসেমব্লিগী স্পিকর ওইরগনি অহানবা সেসন্দা স্পিকরগী মগুন খঙগদৌরি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ* হন্দক পাঙথোকখিবা ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখলদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রদা কংগ্রেস মীরেপ ওইনা মায় পাক্লকখিবা থোকচোম লোকেশ্বর মণিপুর বিধান সভাগী স্পিকর ওইরগনি। স্পিকর মীরেপকীদমক ঙসি মীরেপচে পীশিনবগী অরোয়বা মতম ফাওবদা থোকচোম লোকেশ্বর নত্তনা অতোপ্পা মীরেপ অমত্তনা মণিপুর এসেমব্লিগী সেক্রেটরিদা মীরেপচে পীশিনখিদে।

চৎলিবা থা অসিগী ১৯ নিংথৌকাবা নুমিৎত্তগী হৌগদৌরিবা ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী অহানবা সেসনগী হৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা পাঙথোক্লদৌরিবা স্পিকরগী মীখলগীদমক ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতম ফাওবদা মীরেপচে পীশিনবগী অরোয়বা মতম ওইখিবনি। মীরেপচে পীশিনখিবগী অরোয়বা মতম ফাওবদা এমএলএ টিঐচ লোকেশ্বর নত্তনা অতৈ এমএলএ অমত্তনা মীরেপচে পীশিল্লকখিদে।

এসেমব্লি সেক্রেটরিদা মীরেপচে পীশিনখিবা অদুদা এমএলএ টিঐচ লোকেশ্বরগী মায়কৈদা পুল্লা মীরেপচে ১২ পীশিনখি। অপুনবা মীরেপচে ১৭ অদুদা পুল্লা ওপোজিসন য়াওনা এমএলএ ৩৪ না প্রপোজর অমদি সেকেন্দর ওইখি।

প্রপোজর অমদি সেকেন্দর ওইখিবা এমএলএশিং অদুগী মরক্তা কংগ্রেসকী এমএলএশিং য়াওনা ত্রিনামুল কংগ্রেস, এনসিপি, এনপিএফ, এমএসসিপি, লোক জন শক্তি পার্টিগী এমএলএশিংসু য়াওরি। অপুনবা এমএলএ ৩৪গী মনুংদা কংগ্রেসকী এমএলএ ২৩, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী এমএলএ ৫, এনসিপিগী এমএলএ ১, এনপিএফকী এমএলএ ১, এমএসসিপিগী এমএলএ ৩, লোক জন শক্তিগী এমএলএ অমনা প্রপোজর অমদি সেকেন্দর ওইখি। এমএলএ টিঐচ লোকেশ্বর হৌখিবা শোক ১৯৬৭ কী এপ্রিল ১৩ দা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুং চনবা শগোলমাং মমাং লৈকাইদা পোকখি। মহৈগী থাক এমএ, হিষ্টরি ফার্ষ্ট ক্লাসনি। মহাক শোক ২০০৭ তা পাঙথোকখিবা ৯ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী বাই ইলেক্সন্দা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রদা কংগ্রেসকী কেন্দিদেট ওইনা মায় পাক্লকখিবনি। শোক ২০১০ গী জুলাই ৩০ দা মণিপুর বিধান সভাগী দিপ্যুটি স্পিকর ওইনা মহাকপু খনখি। মতমদুগী স্পিকর ডা: বুধিচন্দ্র লৈখিদবদগী ২০১০ গী সেপ্টেম্বর ৩০ দগী দিসেম্বর ২২ ফাওবা স্পিকর ইন চার্জ ওইনা পুখি। এমএলএ টিঐচ লোকেশ্বর হৌখিবা চহি ২০১১ গী মার্চ ২৬ তা থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকপা থৌরম অমদা থাইলেন্দগী হান্না দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্লা কোর্ন দবারান্সীনা গ্লোরি ওফ ইন্দিয়া এৱার্ড ২০১১ পীদুনা ইকায়খুম্নখি। চহি অসিগী জুন ২৪ দা সিঙ্গাপুরদা গ্লোবেল ব্যুজিনেস ওপোর্চুনিটিজ সোসিয়েল এন্দ পব্লিক সার্ভিসেস ইন্টরনেসনেল এচিভর এৱার্ড ২০১০-১১ অমদি জাতিগীদমক্তা থোইদোক হেন্দোকপা থবক পাঙথোকপগীদমক পীবা রাজিব গান্ধী এক্সিলেন্স এৱার্ড ফংখ্রে। মদুগী মতুং হন্দক জানুৱারী ২৮ দা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখলদা কংগ্রেসকী টিকেটতা অমুক হন্না মায় পাক্লকপদগী খ্বায়দগী নহা ওইবা এমএলএশিংগী মনুংদা অমা ওইনা মহাকপু স্পিকরগী ফম অসি মঙোন্দা পীখিবনি।